# ইম্ফাল ইষ্টনা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফিগী ব্রিন্নর ওইখ্রে

## থাঙ–তাদা ইম্ফাল ৱেষ্টনা অমদি চৈবীদা মিসিকোল খুরাইনা টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (এস এন এস)ঃ

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ৮ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা শান্নবা হৌখিবা ৯ শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিবেল ২০২০ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মশান্না ৬ তা অথোয় অহেন তান্নদুনা পাঙথোকখিবা স্পোর্টস ফেষ্টিবেল অসিগী ঙসি অরোয়বা নুমিৎতা শান্নখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফিগী ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা দি এস এ সদর হিলসপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ৯ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফিগী ব্রিন্নর ওইখিবনি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা টিম ৮ না নোট আউট বেসিসা শরুক য়াদুনা চথরকপা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফিগী ব্রিন্নর ওইখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন গী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৬ ও হেম্বনা মিনিট ৫ অমদি জর্সি নম্বর ১৫ মাঙলেনথাননা মিনিট ৬৩ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা ইম্ফাল ইষ্টকী জর্সি নম্বর ৪ এম দি মুসা, জর্সি নম্বর ৭ ই সঞ্জিৎ, সদর হিলসগী জর্সি নম্বর ১৪ ঙানমিনলুন, জর্সি নম্বর ৭ লানমিনতাঙ অমদি জর্সি নম্বর ১৩ অবিসনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কেঐচ রঞ্জিৎ, টিঐচ কিরনজিৎ, পিঐচ লম্বোইবা অমদি এস তোম্বীনা মথং শীৎনা সেন্টর রেফ্রি, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–১, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–২ অমদি ফোদ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

ব্রিন্নর ওইখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনদা শেলগী মনা লিশিং ৩৫ গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি রন্নস তাখ্রবা দি এস এ সদর হিলসদা শেলগী মনা লিশিং ২৫ গা লোয়ননা ট্রোফি ফঙখি।

অমরোমদা টিম ৬ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা চথরকপা




ইন্টর ষ্টুদেন্ট ওর্গানাইজেসন ইনভাইষ্টিনেল ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ব্রিন্নরনা এম এস এফনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এম এস এফনা এ আই এম এসপু কিক ফোম পেনাল্টি মাকতা গোল ৫–৪ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এম এস এফগী পেনাল্টিদা চনখিবা গোলশিং অদু রিশিকান্ত, উমাকান্ত, সুমন্তা, অবোই অমদি সুরজাকান্তনা চনখি। মায়থিরবা এ আই এম এসগী পেনাল্টিগী গোলশিং অদুনা রোসন, বিক্রমজিৎ, ইবোমচা অমদি জেমসনা চনখি।

ব্রিন্নর ওইখ্রবা এম এস এফতা শেলগী মনা লিশিং ৭ অমদি রন্নর তাখ্রবা এ আই এম এসতা শেলগী মনা লিশিং ৫ খুৎশিন্নখি।

*কাঙ ঃ–* স্পোর্টস ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ কাঙখুৎ অমদি গোপাল দেব কাঙখুৎতা পাঙথোকখিবা কাংলৈপাক কাঙ ট্রোফিগী ব্রিন্নর ওইখ্রবা নম্বুল মপাল কাঙখুৎতা শেলগী মনা লিশিং ১০ গা লোয়ননা ট্রোফি, রন্নস তাখিবা শলাই তরেৎ কাঙখুৎ ৱাঙ্গোইদা শেলগী মনা লিশিং ৭ কা লোয়ননা ট্রোফি, অহুমশুবা তাখিবা টেকা (বি) পিশুমদা শেলগী মনা লিশিং ৫ গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি মরিশুবা তাখিবা গোপাল দেব কাঙখুৎতা শেলগী মনা লিশিং ৩ গা লোয়ননা ট্রোফি ফঙখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট চেকফৈনা নম্বুল মপাল কাঙখুৎগী টিঐচ কুমার অমদি টেকা (বি) পিশুমগী ওইনাম ইন্দোলেননা তাখি। বেষ্ট লমথানা গোপাল দেব কাঙখুৎকী টিঐচ প্রিয়োকুমার অমদি নম্বুল মপাল কাঙখুৎকী নিংথৌজম ওমান্দনা তাখি।

*চৈবী ঃ–*

অমরোমদা স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী মনুং চন্না ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা কাঞ্চিপুর ওল প্লেস রোদদা লৈবা ন্যু লাইট পাব্লিক স্কুলদা টিম ১৪ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কংলৈপাক চৈবী য়েন্দম্নবা ২০২০ দা মীতৈ ইপা ইপূ শলাই ইনাৎ খোঙগুল লীবা ( মিসিকোল) খুরাইনা গোল্ড ৫, সিলভর ৭ অমদি ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ১৮ দা পোইন্ট ৪৭ ফঙদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে।

ওভর ওল টিম রন্নস অপনা মীতৈ ইপা ইপূ শলাই ইনাৎ খোঙগুল লীবা ( মিসিকোল) লম্লাইনা গোল্ড ৫, সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ৫ পূন্না মেদল ১৫ দা পোইন্ট ৪৫ ফঙদুনা তাখি।

নুপামচাগী বেষ্ট প্লেয়রনা আই কে টি টি এ ককচিংগী এস থোমাসনা তাখি। বেষ্ট প্লেয়রনা ৱাই টি এল লমদিংগী কেঐচ মহেশ্বরিনা তাখিবগা লোয়ননা বেষ্ট জুরিনা এম রত্না চনুনা তাখি।

*থাঙ–তা ঃ–*

স্পোর্টস ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না হুয়েন লাঙলোন থাঙ–তা এসোসিয়েসন মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ৮ দগী লাকপা নুপা ৫৪ অমদি নুপী শান্নরোই ৩৩ পূন্না ৮৭ শরুক য়াদুনা শাগোলবন্দ মোইরাং হনুবা ইপূথৌ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা কংলৈপাক থাঙ–তা চেম্পিয়নসিপ ২০২০ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট থাঙ–তা এসোসিয়েসননা গোল্ড ১৫, সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ২৩ দা পোইন্ট ১২২ ফঙদুনা টিম চেম্পিয়ন তাখি। টিম রন্নস অপনা ইম্ফাল ইষ্ট থাঙ–তা এসোসিয়েসননা গোল্ড ৩, সিলভর ৮ অমদি ব্রোঞ্জ ৭ পূন্না মেদল ১৮ দা পোইন্ট ৫৩ ফঙদুনা তাখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ–তা এসোসিয়েসনগী গোল্ড মেদলশিং অদু ফূন্নবা অমদা এম ৱাঙথোই মৈতৈ, টিঐচ গুনবন্ত, ফূন্নবা অনীশুবদা কে লবসন, এল জেমসবোন্দ, থোইথোইবা খূমন্থেম, নুপীমচাগী ফূন্নবা অমদা জয়ন্টি সুনার, সিঐচ অশারানি, এল অনাই, ফূন্নবা অনীশুবদা টিঐচ লেম্বীসনা, টি নিগিতা, টিঐচ পুস্পারানি, এস মন্দা অদুগা নুপামচাগী থাঙ হায়বদা ভিক্টোরাজ ঙাঙোম, থাঙলোন অমদি খোঙলোন খূৎলোনদা হিজম রিওনেল অমদি নুপীমচাগী থাঙলোন অমদি খোঙলোন খূৎলোনদা ঐচ য়াইফাবীনা লৌখি।

সিলভর মেদলশিং অদুনা ঐচ দিপক, এল দিপক সিংহ, এম হেমথোইবা খুমন, কেঐচ প্রিয়ঙ্ক অমদি এল এলিসিয়া চনুনা লৌখি। ব্রোঞ্জ মেদলশিং অদুনা কেএস ঐচ লনমঙাং, সাগর সুনর, কেঐচ য়াইফবীনা লৌখি।

*মরাথোন ঃ–*

স্পোর্টস ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা কংলৈ মেগা মরাথোন ২০২০গী অহানবা তাখিবা খুন্দ্রাকপমদগী কেঐচ রোমাজিৎনা শেলগী মনা লিশিং ৩০গা লোয়ননা মেদল, অনীশুবা তাখিবা শামুরৌদগী এসঐচ রোমেসনা শেলগী মনা লিশিং ২০ গা লোয়ননা মেদল অমদি অহুমশুবা তাখিবা য়াইরিপোকতগী ও রোবেননা শেলগী মনা লিশিং




১০ গা লোয়ননা মেদল ফঙখিবগা লোয়ননা মরিশুবদগী ২০ শুবা পোজিসন ফাওবদা লৈখিবা লমজেলোয়শিংদা কনসোলেসনগী মনা ফঙখি।

৯ শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিবেল অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা সোসিয়েল ৱাকর আরাকে রামেশ্বর, কে এস এগী প্রসিদেন্ট এন চেতন অমদি নেস্নেল অমসুং ইন্টরনেস্নেল এৱার্ডি ঐচ ইবোতোম্বী খুমননা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েম্থোক্তুনা পূন্সিং থৌগৎখি।



## নোথ ইষ্ট কোঙ–ফু এন্দ কিকবোক্সিং চেম্পিয়নসিপ হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (এস এন এস)ঃ

ওল ইন্দিয়া কোঙ–ফু ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা অসামগী সিবানগরদা থা অসিগী ১২ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা তরুকশুবা নোথ ইষ্ট কোঙ–ফু এন্দ কিকবোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০২০, ওল ইন্দিয়া কোঙ–ফু ফেদরেসন (এ আই কে এফ এফ)কী প্রসিদেন্ট সি এল লমানা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা ওল ইন্দিয়া কোঙ–ফু ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট সি এল লমা, ৱাক্কিং প্রসিদেন্ট টিঐচ নোরেন্দ্রো, জেনরেল সেক্রেটরী ডা. ঐচ রোমেন, মিষ্টর ইন্দিয়াগী মিংথোল ফঙখ্রবা সিবাসগরদগী বিজিট গোগোই অমদি সোসিয়েল ৱাকর অসিনিস চেটিয়ানা মরুওইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মিজোরাম, মণিপুর, অরুনালচন্দ প্রদেশ, অসাম অমদি নগালেন্দগী লাকপা পূন্না শান্নরোই ৪৫০ রোম্না শরুক য়াদুনা তাওলু বার হেন্দ, তাওলু ৱিপন, তাইচি সান্দা, তাইসু অমদি তোঙান তোঙানবা কোঙ–ফুগী মশান্নশিংদা অথোয় অহেন তান্নবা হৌখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈন্না ওল ইন্দিয়া কোঙ–ফু ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট সি এল লমানা ফোঙদোকখিবদা কোঙ–ফু হায়রিবা মশান্না অসি চাউখৎন্নবা এ আই কে এফ এফনা কন্ননা হোৎনন্দুনা লাক্লি। অমদি অথুবা মতমদা স্কুল গেমস, সি বি এস ই, বিদিয়া ভারতিনা সকখঙনবগীসু হোৎনরি। হায়খিবগা লোয়ননা মশান্ননা অসিনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু অফবা সিটিজেন অমা ওইবদা মতেং পাঙবা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুরগী টিম ওইনা নুপা অমসুং নুপী পূন্না শান্নরোই ৪২ না শরুক য়ারি। অদুগা টিম অসিগী মেনেজরনা টিঐচ নোরেন্দ্রো, কোচনা এন বিজেন অমদি এ পিন্তু দেবীনি। ওল ইন্দিয়া কোঙ–ফু ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী ডা. ঐচ রোমেন সিংহশু ওফিসিয়েল ওইনা শরুক য়ারি।

## ভৱানিপোর এফ সি অমদি সাই মায় পাকখ্রে

কোলকতা, মার্চ ১৩ (এজেন্সি)ঃ

হিরো সব–জুনিয়র লীগ ২০১৯–২০গী মনুং চন্না ঙসি উরুবিরিয়াদা ভৱানিপোর এফ সি অমদি বিদানাগর ম্যুনিসিপাল স্পোর্টস একাদেমিনা শান্নখিবা মেটচতা ভৱানিপোর এফ সিনা বিদিয়ানগর ম্যুনিসিপাল স্পোর্টস একাদেমিবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ভৱানিপোর এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৩ রাহুল জনানা মেটচকী মিনিট ২৯ চৎপদা চনখি। মেটচ অসিদা ভৱানিপোর এফ সিগী জর্সি নম্বর ১ রজাকতা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা সোল্ট লেক ট্রেন্নিং গ্রাউন্দ–২ দা এ টি কে অমদি স্পোর্টস ওর্থোরিটি ওফ ইন্দিয়া ( ই জেট)না শান্নখিবা মেটচতা সাইনা এ টি কেবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সাই কেগী গোলশিং অদু নিলকান্ত মহাতোনা মিনিট ৬৭ অমদি রুপানকার দেনা মেটচকী মিনিট ৭০ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা এ টি কেগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা পিন্তু কারমকারনা মিনিট ৭৯ চৎপদা চনখি। মেটচ অসিদা সাইগী জর্সি নম্বর ৫ অনুমপ দাসতা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
FORM ISSUE 14/02/2020
CRASH COURSE FOR NEET(UG) ASPIRANTS - 2020
CLASS STARTS 16/03/2020
SPECIAL CONCESSION FOR STUDENTS SCORING in X (2018)/XII Sc. (2018/2019)
* 85% & above - FREESHIP * 75% to 85% - 20% Concession
* 65% to 75% - 15% Concession * 60% to 65% - 10% Concession
ELIGIBILITY :- 10+2 (Sc) Passed/ Appeared COURSE FEE :- RS. 10,000/-
FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.




TANISHQ
PRESENTS
RIVAAH
FOR EVERY INDIAN BRIDE
সনাগী লৈতেং অমসুং দাইমন্দগী লৈতেং ভেল্যুদা লৌবা চার্জশিংদা
চাদা ২৫ তারি*
+
অরিবা সনাগী লৈতেং একচেঞ্জ ভেল্যুদা
চাদা ১০০**
*Condition Apply
সোরুম: ৯০ থাংমৈবন্দ, ওপ্পোজিত এবিসি গোদাউন, দি এম কল্লেজ রোদ, ইম্ফাল (ৱেস্ত), তেল: ৩৮৫২৪১২১৪৭




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com